# ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ক্রোএসিয়াগী ফ্রাঙ্কো স্কুগোর নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ২শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে





পেরিস, জুন ০১ (এজেন্সী):
চহী অসিগী টেন্নিস মশান্নগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট মরিগী মনুংদা চহী ১দা পাঙথোকপা অনীশুবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রোহন বোপানানা ক্রোএসিয়াগী টিমমেট ফ্রাঙ্কো স্কুগোরনা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ২শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী টেন্নিস মশান্নগী দবলসতা মকোক থোংবা শান্নরোয় ওইরিবা রোহন বোপানানা মহাক্কী গ্রান্দস্লাম করিয়রদা অনৌবা প্যের ওইনা ক্রোএসিয়াগী ফ্রাঙ্কো স্কুগোরগা মীচঙ ওইদুনা শরুক য়ারকপদা মখোয় অনীনা জোর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাসভিলি অমদি জর্মনিগী এন্দ্রি বেজেমানবু অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়া অমদি ক্রোএসিয়াগী প্যের অদুনা জোর্জিয়া অমসুং জর্মনিগী প্যের অদুগী অশোনবা মফমশিংদা খূদোংচাবা লৌদুনা অহানবা সেটতা জর্মনি অমদি জোর্জিয়াগী প্যের অদুগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা অহানবা সেট অদু ৬-৪দা থোইরগা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি ক্রোএসিয়াগী ফ্রাঙ্কো স্কুগোরনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্লবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা মায়োক্লবা টিম অদুগী সর্ভিস গেম অনী য়াম্না মতাং মতম চানা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী সেট অদু ৬-২দা থোইদুনা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি ক্রোএসিয়াগী ফ্রাঙ্কো স্কুগোরনা মথংগী রাউন্দদা যু এস এগী প্যের নিকোলাস মোনরো অমদি ফ্রান্সেস টিয়াফো অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ প্যের ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোব অমদি পোলেন্দগী লুকাজ কুবোট অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ১৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা ফ্রান্সকী শান্নরোয় গেল মোনফিলসনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্পেনগী রামোস ভিনোলাসনা সেট ৪ চুপ্পা শান্নরবা মতুং সেট ৩-১দা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মোনফিলসনা রামোসপু অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা ১-৬, ৭-৬ (৮-৬), ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা অনীরকশুবা রাউন্দদা স্পেনগী অতোপ্পা শান্নরোয় কার্বালেজ বেনাবু সেট ৩-২ (৬-৪, ০-৬, ৪-৬, ৬-২, ৬-২)দা থোইরম্বা নোরৱেগী এম য়ামরগা লম্বা তৌনরগনি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অমদি গ্রান্দস্লাম টাইটল লৌবদা রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা উজবেকিস্থানগী শান্নরোয় দেনিশ ইষ্টোমিনবু ষ্ট্রেট সেট ৩দা ৬-২, ৬-৪, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী রিন্দরনেকপু ৭-৬(৮-৬), ৬-১, ৬-২দা থোইরম্বা ক্রোএসিয়াগী মারেন সিলিককা অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনরগনি।

যু এস এগী ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ৩০শুবা সিদেদ শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবা যু এস এগী টি ফ্রিটজনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা টুনিসিয়াগী জে সোসাবু ষ্ট্রেট সেট ৩দা ৬-৪, ৬-২, ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা বেলজিয়মগী এম বোর্গিবু ৬-৩, ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বা জর্মনিগী শান্নরোয় দি কেফরগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা নুপাগী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা মায় পাকখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ১৮শুবা সিদেদ ইটালিগী জে সিন্নর য়াওখি। মহাক্লা ফ্রান্সকী পোল হর্বটপু অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা ৬-১, ৪-৬, ৬-৭ (৪-৭), ৭-৫, ৪-৬তা মায়থীবা পীরম্বনি। সিন্নরনা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী পি জোজিকপু ৬-২, ৩-৬, ৬-৪, ৭-৫দা থোইরম্বা বেলজিয়মগী জি নেগরগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা নুপাগী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা জপানগী ৱাই নিশিওকানা ফ্রান্সকী জে সোমরাবু ৬-৪, ৬-২, ৩-৬, ৭-৬ (৭-৫)দা মায়থীবা পীরমখি। মহাক্কী লম্বা ওইগদৌরিবা ইটালিগী এল মুসেটিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ষ্ট্রেট সেট ৩দা ৬-০, ৭-৫, ৭-৬ (৭-৩)দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

# য়ুরোপিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপতা মনু ভাকর অমসুং রহি সর্নোবট ফজখ্রে



ওসিজেক, জুন ০১ (এজেন্সী):
চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী শুটরশিংনা ওলিম্পিক গেমস অদুদা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্নবগীদমক্তা ট্রেনিং কম এক্সপোজর টুর অমা য়ুরোপতা চৎলিবা অসিগী মনুং চন্না ক্রোএসিয়াগী সিটি ওসিজেকতা পাঙথোকপা য়ুরোপিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী নুপীগী শুটর মনু ভাকর অমদি রহি সর্নোবটনা নুপীগী মিটর ২৫গী পিষ্টোল ইভেন্টতা ফজবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ১৯খক্তা শুবদা ঙাইরিবা মনু ভাকরনা নুপীগী মিটর ২৫গী পিষ্টোল ইভেন্ট অদুগী রেপিদ ফায়র সেক্সনদা পোইন্ট ২৯৬ ফংবা ঙমখি। মদুগী মাংওইননা মনু ভাকরনা ইভেন্ট অদুগী অহৌবা রাউন্দদা পোইন্ট ২৯১ ফংদুনা লাকখিবনি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শুটর রহি সর্নোবটসু অহৌবা রাউন্দদা পোইন্ট ২৯১ ফংলবা মতুং রেপিদ ফায়র সেক্সনদা ২৯৩ ফংদুনা কম্পিটিসন অদুদা অতোপ্পা শুটর ১০গী মনুংদা মখোয় অনীনা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখি।

পনবায়াবদি, মিটর ২৫গী নুপীগী পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা টিম ৫৫না শরুক য়ারকখিবনি। মদুদা কুমজা ২০০৪ ওলিম্পিক গেমসকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী অমদি মমাংদা ৱর্ল্ড শুটিং চেম্পিয়নসু ওইবা ঙমখ্রবী যুক্রেনগী ওলিনা কোষ্টেবিচনা মহাক্কী রাউন্দদা পোইন্ট ২৯৬ কাপ্পুনা খ্বাইদগী ৱাংনা লৈরি। মখা তাবা শুটিং কম্পিটিসন অসিগী ওইনা ফাইনেল রাউন্দগী কম্পিটিসন ৱাৎলি। ইন্দিয়াগী শুটরশিং অদুনা মাংজৌননা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবসু মখোয়গী মশান্না অদুদা অহেনবা ফজবা লাক্লব-গীদমক্তা য়ুরোপকী কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াদুনা প্রেক্টিস কম কম্পিটিসন অদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মখোয়বু ফজনবগীদমক শরুক য়াহনখিবনি।

ঙসি কম্পিটিসন হৌদোকপা নুমীৎ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মিটর ৫০গী রাইফল ৩ পোজিসনদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শুটর ৪সু শরুক য়াখি। মখোয়সু কম্পিটিসন অদুগী হৌরকপা রাউন্দ অদুদা অপীবা অপূনবা পোইন্ট অদুগী মনুংদা য়াম্না নক্লা স্কোর তৌবা ঙমদুনা ফজবা ঙল্লি।

# মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা স্পোর্টস দিসিপ্লিন অমগী সেন্টর অমমম্ হাংলগনি

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর হাংদোকপগী অয়াবা পীরকপগী মনুং চন্না মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা শান্নবগী দিসিপ্লিন অমমম্গী ওইনা সেন্টর অমমম্ হাংদোকপা য়ারগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা ফোঙদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট ২৯দা মণিপুর লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদা ইখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী ওইনা মমাংদা অফবা শান্নরোয়শিং অমদি ওর্গনাইজেসন লৈরগদি অপীবা ফোর্মেটতা প্রপোজল থাঙ্গৎনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। মসিগী মনুংদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর সাইগী দিরেক্টরদা থাগৎলকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না টেবল টেন্নিস, থাঙ-তা অমদি ফুটবোল মশান্নগী সেন্টরশিং হাংবীয়ু হায়বা চেরোল লৈখি।

লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিং অসিগী ওইবা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর হাংদোকপদা তঙাইফদনা চঙগদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অদুগী খূদোংচাবা য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা সেন্টর অমমম্ হাংননবা খোঙথাং অদু পায়খৎলকপনি হায়না য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টরগী চেরোল অদুনা মখা তারি।

খেলো ইন্দিয়া সেন্টরশিং থম্নবগী লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংদা মিনিষ্ট্রিগী চৎন-কাঙলোনশিং অদুনা য়ূম্ফম ওইরগা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা স্পোর্টস দিসিপ্লিন অমমম্গী ওইবা সেন্টর অমমম্ হাংনবা থবক পায়খৎখি। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদগী অফবা বেদমিন্টন শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমখিবনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা খেলো ইন্দিয়াগী মখাদা বেদমিন্টন সেন্টর হাংদোক্লগনি হায়খি। লোয়ননা অতোপ্পা মণিপুরগী লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ১৫দা ইন্দিয়াগী ওইনা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ১,০০০ হাংদোকপগী খেলো ইন্দিয়া স্কিম অসিগী মখাদা অকক্লবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন অমমম্ থম্নবা খঙহল্লক্লি।

মরুওইনা মণিপুরগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ অদুদা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না হাংদো-ক্লগদৌরিবা দিসিপ্লিন অদুগী মনুংদা বেদমিন্টনগী ওইনা সেন্টর ৮গী প্রপোজল থাঙ্গৎলকপা অসিনা খ্বাইদগী য়াম্লি। মদুগী মতুংদা ফুটবোল অমসুং টেবল টেন্নিসকী সেন্টর ৬/৬ হাংদোকপগী অপাম্বা অদুনা অনীশুবদা লৈরি।

# খেলো ইন্দিয়া সেন্টরশিং হাংবদা থাঙ-তাবু মীরাইবীরে : হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মায়কৈদগী শেমখিবা খেলো ইন্দিয়ানা গ্রাসরুট লেভেলদা স্পোর্টসকী ইকোসিষ্টম চাওখৎনবা হোৎনবদা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১৪ খনগৎখিবা অদুদা য়েলহৌ মশান্না অমা ওইরিবা থাঙ-তাসু য়াওখিবনি। খেলো ইন্দিয়ানা মশক খঙবীরগা থাঙ-তাসু য়াওরিবা দিসিপ্লিন ১৪গী ওইবা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ১,০০০ নৌনা হাংদোকপগী অয়াবা পীখ্রবা মতুং মণিপুরগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী সেন্টর লাউথোরকপদা থাঙ-তা মশান্না অসি য়াওরক্তবদা মীরাইবীরব্রা হায়না হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা তকশিন্দুনা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা কন্না হোৎনদুনা বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, ককচীং অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা থাঙ-তা য়াওনা দিসিপ্লিন অহুমগী খেলো ইন্দিয়া সেন্টর হাংনবগী প্রপোজলশিং থাগৎতুনা অশোয়-অঙাম য়াওদ্রে হায়না এপ্রুভ তৌখিবনি। অদুবু দিষ্ট্রিক্ট অমফাওবদা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ১৬ হাংবদা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা য়েলহৌ মশান্না অমা ওইরিবা খেলো ইন্দিয়ানসু মশক খঙলবা থাঙ-তাগী সেন্টর এপ্রুভ তৌরক্তবা অসিদা হুয়েল লানলোং থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী মায়কৈদগী পেন্দবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা, ইন্দিয়াগী ওইনা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ১,০০০ লিংখৎনবা অয়াবা পীখিবা অদুগী মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা স্পোর্টস দিসিপ্লিন অমমম্গী ওইবা সেন্টর অমমম্ হাংদোক্লবগী অয়াবা পীরকপদা থাঙ-তা মশান্না য়াওরক্তবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়খি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, য়েলহৌ মশান্না অমা ওইরিবা থাঙ-তাবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মশক খঙদুনা এপ্রুভ তৌখ্রবা মতুং মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা নৌনা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ১৬ হাংদোকপগী অয়াবা পীরকপদা থাঙ-তা মশান্না অসি য়াওরক্তবগী খোঙথাং অসি মনুংদা অরানবা অমদি লৌতুনবা লৈরব্রা হায়না মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা অথুবা মতমদা অচুম্বা পুথোকপীনবা হায়রক্লি।

# এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদকী অনী কোনকাকেপ ৱর্ল্ড ক্বালিফায়িং শান্নগদৌরি

বেঙ্গলুরু, জুন ০১ (এজেন্সী):
থা অসিগী ৫দগী হৌগদৌরিবা নোর্থ অমেরিকা, সেন্ট্রেল অমেরিকা অমসুং কেরিবিয়ন লৈবাক্কী ওইবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং গ্রুপ এফকী ওইনা ট্রিনিদাদ এন্দ টোবেগো লৈবাক্কী শান্নরোয় ২৮গী মমিং লাউথোরকপদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদতা হান্না শান্নরম্বা দিফেন্দর রোবর্ট প্রাইমস অমসুং ষ্ট্রাইকর দেনিএল কারগী মমিং য়াওখ্রে।

কোনকাকেপ জোনগী গ্রুপ এফতা শরুক য়াগদৌরিবা ট্রিনিদাদ এন্দ টোবেগো লৈবাক্কী শান্নরোয় ২৮গী টিম লাউথোরকপদা প্রাইমস অমসুং কার য়াওখিবনি। মখোয়না গ্রুপ অদুগী অহানবা মেটচ অদু বাহামসকা লম্বা তৌনগদৌরি। গ্রুপ এফ অদুদা য়াওরিবা অতোপ্পা টিমশিং অদুদি সেন্ট কিটস এন্দ নেবিস, গুইয়ানা অমদি পিয়ুর্টো রিকোনি।

গ্রুপ অসিগী ওইনা ট্রিনিদাদ এন্দ টোবেগোনা পোইন্ট ৪ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা সেন্ট কিটস এন্দ নেবিসনা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ অদুগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ২শুবা থাক ওইরিবা আই লীগতা শরুক য়ারিবা টিম অমনি। বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা বেঙ্গলোর সুপর দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। ক্লব অদুগী শান্নরোয় ওইরম্বা সেন্টর বেক প্রাইমসকী মায়কৈদগী টাইটল অদু লৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। লোয়ননা টিমমেট কারসু পাঞ্জল কয়া চনখি।

# ইন্দিয়াগী সফালিনা নুপীগী টি-২০ বেটিংগী নম্বর ৱান ওইরি

দুবাই, জুন ০১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেটতা চহী নৌরিবী বেটসৱিমেন সফালি বর্মানা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা থাদোরকপা খ্বাইদগী নৌবা নুপীগী টি-২০ ইন্টরনেসনল ক্রিকেটকী বেটিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি।

মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবী সফালি বর্মানা টি-২০ ক্রিকেটকী বেটিংদা পূন্না পোইন্ট ৭৭৬ ফংদুনা মালেমগী ওইনা নুপীগী ক্রিকেট বেটিংগী পরিংদা নম্বর ৱান ওইবা ঙল্লিবনি। মহাক্কী মথংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসৱিমেন বেথ মুনিনা সফালিদগী পোইন্ট ৩২ হন্থরগা ৭৪৪ ফংদুনা লৈরি। ইন্দিয়াগী টি-২০ ক্রিকেটকী ভাইস কেপ্টেন ওইরিবী স্মৃতি মনধানানা পোইন্ট ৬৯৩ ফংলগা অহুমশুবদা লৈরি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বেটসৱিমেন জেমিমা রোদ্রিক্সনা পোইন্ট ৬৪০ ফংলগা মকোক থোংবা বেটসৱিমেন ১০গী মনুং চনবা ঙল্লি।

নাকল অমরোমদা, ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিং লাউথোরকপদা স্কোটলেন্দগী ওল রাউন্দর কেথরিন ব্রিসনা মহাক্কী লৈবাক অদুগী ক্রিকেট পুৱারীদা অহানবা নুপী বেটসৱিমেন অমা ওইনা মকোক থোংবা মালেমগী ওল রাউন্দর ১০গী মনুংদা চনবা ঙমখি। মশাগী চহী ২৩দা ঙাইরিবী কেথরিন হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদা আই সী সী ৱিমেন্স এসোসিএট প্লেয়র ওফ দি দিকেদকী মনা ফংদুনা মহাক্লা হান্না লৈরম্বা থাক অদুদগী ৯ হাইগৎলগা ওল রাউন্দরগী ওইনা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখি। বোলিংগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী স্পিন্নর অনী দিপতি শর্ম্মা অমসুং রাধা য়াদব ৬শুবা অমদি ৭শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

# হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিনা এসিয়ন চেম্পিয়ন কটারবু মায়থীবা পীবা ঙমগনি : আই এম বিজয়ন



কোজিকোদ, জুন ০১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমদা মতম শাংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখ্রবা আই এম বিজয়ননা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক-হৌজিক কটারদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমনা মফম অদুদা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অদুগী ক্বালিফায়িং মেটচতা ইন্দিয়াগী টিমনা কটারগী টিম অদুবু মায়থীবা পীবা ঙমগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা থমখ্রে।

মহাক্লা ইন্দিয়াগী ওইবা শান্নবগী মমিং লৈরবা মেগাজিন অমগা ৱারী শানখিবদা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোকখিবনি। কুমজা ১৯৯৬তা আই এম বিজয়ন মশামক য়াওনা কটারগা শান্নখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম অদু কটারগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-৬তা মায়থীবা নংখি। মতম অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী নীংশিং ৱাহৈ ফোঙদোক্তুনা এক্সপোজর ৱাংখিবা অমদি টিম অদুগী মায়কৈদগী শান্নবদা অশোনবা কয়া অমা লৈখিবা মরম্না মায়থীখিবনি। অদুবু হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অদুনা কটারগা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাই ওইবগী খূদোংচাবা লৈত্রবসু ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী মখা তানা শান্নগদবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী টিমনা কটারবু মায়থীবা পীবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ফোঙদোকখিবনি।

ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী কুমজা ২০১৯দা ইন্দিয়া অমদি কটারনা শান্নখিবা অহানবা লেগতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবনি। হায়রিবা রেকোর্দ অদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা অহেনবা থৌনা পীদুনা কটারগা মখা তানা শান্নবদা মায় পাকপা ঙম্বগী থৌনা অদু পীগদৌরিবনি।

কটারগী কোনুং দোহাদা শান্নগদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং মেটচশিং অমদি কুমজা ২০২৩ এসিয়ন কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী মেটচশিং অদুদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুগী মায়কৈদগী মায়োক্লবা টিমশিং অদুবু মায়থীবা পীবা ঙম্বগী হৈথোই-শিংথোইবা য়াওই। হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান গোলকিপ্পর গুরপ্রিট সিংহ সানধু য়াম্না মরুওইবা শান্নরোয় অমনি। মহাক য়ুরোপতা এক্সপোজ তৌরুরবা গোলকিপ্পর অমনি। মহাক্তা নৎতনা বিজয়ননা থাজরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি দিফেন্দর জিনঘান অমসুং মিদফিল্ডর কুরুনিয়ননি।

# মখূউ শোকপদগী কেরোলিনা মারিন টোকিও ওলিম্পিক্স য়াওররোই



মাদ্রিদ, জুন ০১ (এজেন্সী):
কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী বেদমিন্টন মশান্নগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইরিবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিন মখূউ শোকপদগী চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াররোই।

মমাংদা য়ুরোপিয়ন বেদমিন্টন চেম্পিয়ন মঙারক ওইবা ঙমখ্রবী অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অহুম্লকসু লৌবা ঙমখ্রবী অদুগা রিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংখিবী কেরোলিনা মারিন মহাক্কী ওইথংবা খূউদা শোকপদগী মখা তাবা মেটচশিং অমদি মরুওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অদু য়াওবা য়াররোই হায়না মহাক মশামক অমদি ফিজিওথেরাপিষ্টনা ফোঙদোরক্লি।

# এফ টি এক্স ক্রিপ্টো কপ চেছ ওনলাইনগী টাইটল নোরৱেগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় মেগনস কার্লসননা লৌবা ঙমখ্রে




ন্যু দেল্লী, জুন ০১ (এজেন্সী):
যু এস দোল্লর ২২০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা এফ টি এক্স ক্রিপ্টো কপ ওনলাইন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা ফাইনেল রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসনগী ফজবা মশান্ননা টাইটলগী অচৌবা মঙলান মঙলম্বা যু এস এগী শান্নরোয় ৱেস্লি শোবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ওনলাইন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট অদুদা যু এস এগী শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর ৱেস্লি শোনা সিজন অসিগী ওইনা অহুম্লকশুবা টাইটল লৌনবগীদমক্তা শুপ্পগী দ্রো ওইগদবা মেটচ অমখক শান্নরগা শান্নবগী তাঞ্জা লৈখিবনি। অদুবু মহাক্লা লম্বা তৌনখিবা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসননা মখোয় অনী লম্বা তৌনখিবা অরোইবা রাউন্দ অদুদা গেম অনীমক থোইবা ঙমদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

অরোইবা রাউন্দ অদুদা মেগনস কার্লসন অমসুং যু এস এগী ৱেস্লি শোনা রেপিদ গেমদা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ২-২ ফংনখি। মদুগী মখা তারকপা টুর্নামেন্ট অদুগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না মখা তাবা ব্লিটস গেম অনী শান্নরকপদা দ্রো চৎতুনা মখা তাবা লম্বাদা চেছ মশান্নগী ওইনা অর্মাগেদন ফোর্মেটতা শান্নরকপদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা মেগনস কার্লসননা যু এস এগী ৱেস্লি শোবু মায়থীবা পীদুনা এফ টি এক্স ক্রিপ্টো কপ ওনলাইন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মেগনস কার্লসননা শেলগী মনা ওইনা যু এস দোল্লর ৬০,০০০ ফংখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাহৌরবা যু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ৱেস্লি শোনা যু এস দোল্লর ৪০,০০০ ফংখি। অদুগা অজরবৈজানগী গ্রান্দমাষ্টর তৈমুর রাজাবোবপু পোইন্ট ২.৫-১.৫দা মায়থীবা পীরম্বা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা অহুমশুবা পোজিসন ফংদুনা শেলগী মনা ওইনা যু এস দোল্লর ২৫,০০০ ফংখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 127

**GM Radjabov,T (2773) - GM Karjakin, Sergey (2769)**
**74th Tata Steel GMA Wijk aan Zee NED (6), 2012.01.20**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nf3 b6 | 4.g3 Ba6 | 5.Nbd2 d5 |
| 6.Bg2 Be7 | 7.O-O O-O | 8.b3 c5 | 9.dxc5 bxc5 | 10.Ne5 Bb7 |
| 11.Bb2 Nbd7 | 12.e3 Nxe5 | 13.Bxe5 Nd7 | 14.Bb2 Bf6 | 15.Qc2 Qb6 |
| 16.cxd5 exd5 | 17.Rac1 Rac8 | 18.Rfd1 Rfd8 | 19.Bxf6 Nxf6 | 20.Qf5 g6 |
| 21.Qf4 Kg7 | 22.h4 a5 | 23.e4 dxe4 | 24.Nc4 Qe6 | 25.Rxd8 Rxd8 |
| 26.Qc7 Qd5 | 27.Ne3 Qd2 | 28.Rc2 Rd7 | 29.Qxc5 Qe1+ | 30.Kh2 h5 |
| 31.Qe5 Qb4 | 32.Rc5 Qd2 | 33.Rc2 Qb4 | 34.Qg5 Nh7 | 35.Qf4 Qd4 |
| 36.Bh3 Re7 | 37.Rc7 Qf6 | 38.Rc5 Qb6 | 39.Rc2 Qa6 | 40.Rd2 Qf6 |
| 41.Qb8 Nf8 | 42.Qd8 Ne6 | 43.Bxe6 Rxe6 | 44.Qxa5 Ba6 | 45.Nd5 Qe5 |
| 46.Qc7 Bd3 | 47.Qxe5+ Rxe5 | 48.Nf4 Ba6 | 49.Nd5 Bd3 | 50.Nb4 Bf1 |
| 51.Nc2 Rb5 | 52.Ne3 Bd3 | 53.Rb2 Kf6 | 54.a4 Ra5 | 55.Ra2 Ke5 |
| 56.b4 Ra7 | 57.Ra3 Kd4 | 58.b5 Kc5 | 59.Rc3+ Kd4 | 60.b6 Rxa4 |
| 61.b7... | | | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 126 Ans. :**
**43.** ...Nd3+ **44.** Kg2 Nf4+ **45.** Kh2 Qd2+
**45.** ...Qc2+ **46.** Kg3 Qg2#
**45.** ...Qe2+ **46.** Kg3 Qg2#
**46.** Kg3 Qg2#
**43.** ...Nd3+ **44.** Kg2 Nf4+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com